এলিট ৱিমেন নেসনল বোক্সিং

# সনামচা চনুনা গোল্ড লৌখ্রে




ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৬(ঐচএনএস): মধ্য প্রদেশকী কোনুং ভোপালদা লৈবা টান্টিয়াতোপ নগরদা থা অসিগী ২০দগী হৌদুনা চথরিবা ৬শুবা এলিট ৱিমেন নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ষ্টেটকী বোক্সর থোকচোম সনামচা চনুনা কেজি ৭০গী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা সনামচানা মধ্য প্রদেশকী শ্রুটি য়াদবপু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসি থা অসিগী ২৭তা লোইশিনগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা সনামচা য়াওনা ষ্টেটকী নুপী বোক্সর ৯ অমদি ওফিসল ৪না শরুক য়ারি। শান্নরোয়শিং অদুদি টিংমিলা দোঙেল, ঐচ অশালাতা, এম রোজমেরি, টি ঐচ ওজিবালা, ঐচ অস্বেশ্বরী, সোবি জাজো, বিন্দিয়া নাওরেম অমদি টি ঐচ এলেনানি।

ষ্টেট জুনিয়র বোইজ অমদি ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট

# চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব অমদি লিঙ্থোইঙানবী কাংজৈ লূপ নুপীগী ফাইনেলদা থেংনরগনি




ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৬(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৬শুবা জুনিয়র বোইজ অমদি ১৮শুবা ৱিমেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি নুপীগী লীগ মেটচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব অমদি লিঙ্থোইঙানবী কাংজৈ লূপ থা অসিগী ২৮দা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী লীগ মেটচ অমদা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লবনা লমন সগোল ক্লবপু ৯-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

কেপ্টেন নিলু আর কেনা অহানবা চক্করগী ২.৫২দা চিঙ্খৈহুনবগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা চক্করদা গোল অমা অদুগা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা চক্করদা গোল ২/২ পূন্না গোল ৫ অমগা হাপচিনবা ঙমখি।

আই সঙ্গিতা, টি ঐচ সনাজাওবী অমদি কে ঐচ চাওবনা অনীশুবা চক্করগী ২.০৪, অহুমশুবা চক্করগী ১.০৯ অমদি ২.২৬তা চিঙ্খৈহুনবগী মায় পাকপগী ২শুবা, ৪শুবা অমদি ৫শুবা গোল চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অনীশুবা মেটচতা লিঙ্থোইঙানবী কাংজৈলূপনা কেএমএম রাইদিং স্কুল শীংজমৈবু ১১-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

লিঙ্থোইঙানবী কাংজৈ লূপকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কে ঐচ দেবেন্তিনা ৭ অদুগা এম প্রিয়া অমদি কেপ্টেন কে ঐচ হাবেনা ২/২ চনবা ঙমখি। শীংজমৈ টিমগী গোল ২ অদুনা কেপ্টেন টি ঐচ জেথোলিয়া অমদি ৱাই রঞ্জিতানা অমমম্ চনখি।

অমরোমদা, ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন (অম্পা)না এসোসিএসন অসিগী লাইফ মেম্বর ওইরম্বা চুংখাম বিরেন্দ্রনা ঙসি অয়ূক লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না লৈখিদবা অসিনা এসোসিএসনগী অচৌবা মাঙজবা অমা ওইহৌরগনি অমদি লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

নেসনল জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ

# মণিপুরনা ওভরওল চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৬(ঐচএনএস): জিট কুনে-দো মার্সিএল আর্টস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা ন্যু দেল্লীগী টলকাটোরা ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৪দগী হৌদুনা চথরকপা ৭শুবা নেসনল জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুরনা গোল্ড ৬৫, সিলভর ১১, ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ৭৭ ফংদুনা ওভরওল চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা মেঘলায়ানা ওভরওল রন্নর্স অপ অদুগা দেল্লীনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ষ্টেট অসিদগী নুপা অমদি নুপী শান্নরোয় ৭৫ অমদি ওফিসল ৮না শরুক য়াখিবনি।

# অনিলনা সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৬(ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান টেবল টেন্নিস এসোসিএসননা শীন্দুনা নোংমাইজিং নুমিৎতা এসোসিএসন অসিগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ৭শুবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা এস অনিলনা দব্লিয়ু সুভাশপু সেট ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

দবলসকী ফাইনেলদা বি সনাতোম্বা অমদি এস অরুনজিৎকী প্যেরনা দেব অকোইজম অমদি দব্লিয়ু সুভাশপু সেট ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা দবলসকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ভেটরান প্লেয়র ৪০ রোম্না শরুক য়াখি। লোইশিনবা থৌরমগী মনুং চন্না ইন্টরনেসনল অম্পায়র এগজামদা মায় পাক্লকখ্রবা এম রোমেন অমদি দেব অকোইজমবু অচম্বা খূদোল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

মাইবম মুনাল মেন্স ওপন সোক্কর টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

# আর এ এন্টরপ্রাইজেস, লনচেনবী কন্সট্রক্সন দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৬(ঐচএনএস): এথলেটিক্স স্পোর্টস এসোসিএসন শীংজমৈ কোংবা রোদনা শীন্দুনা অহানবা মাইবম মুনাল মেমোরিএল ৫-এসাইদ মেন্স ওপন সোক্কর টুর্নামেন্ট ঙসি অকাম্পাৎতা লৈবা ইষ্টর্ন আইদিএল হায় স্কুল গ্রাউন্দদা স্পিকর থোকচোম সত্যব্রতানা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।



ঙসি অহৌবা মেটচতা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা লনচেনবী কন্সট্রক্সন অমদি আর এ এন্টরপ্রাইজেস ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

লনচেনবীগী গোল অদুনা এস ঐচ অঙোনা শান্নবা হৌরকপগী ১০শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। আর এ এন্টরপ্রাইজেসকী গোল অদুনা বিজিওনা অহানবা হাফ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ২৯না গ্রুপ ৮ থোক্তুনা শরুক য়ারি। হৌদোকপগী থৌরমদা সকসম মণিপুর প্রান্টকী সচিভ এল জিতেন খুমননা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# টুগপু, সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৬(ঐচএনএস): টিদ্দিম রোদ য়ুনিক গেমি প্লেয়র্স য়ুনিয়ননা শীন্দুনা নম্বোল কোংখামদা লৈবা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা টুগপু ট্রোফি ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ূম্থু টিম ওইরিবা টুগপু নম্বোল অমদি সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী রোনিকনা অনীশুবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী ৪৮ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। ঈ রাজনা শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনটতা য়ূম্থু টিমগী ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখি।

এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# থাওনা রন ১০০দা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৬(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা চথরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩ ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা থাও থাংমৈবন্দনা শেদো থাংমৈবন্দবু ভি জে দি মেথদতা রন ১০০দা মায়থীবা পীখ্রে।

থাও অমদি শেদো থাংমৈবন্দ অনীনা মেটচ ২/২ শান্নখিবদা পোইন্ট ২/২ ফংদুনা গ্রুপ এগী টেবলগী ৩শুবা অমদি ৪শুবা মফমদা লৈরি।

মেটচ অসিদা থাওনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ৩০দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৫১ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা শেদো থাংমৈবন্দনা ভি জে দি মেথদ শীজিন্নদুনা টার্গেট ১৪০ ওইখি। অদুবু ওভর ১৬.২দা ওল আউট ওইদুনা শুপ্নগী রন ৩৯ লৌদুনা থাওগী মখূৎতা রন ১০০দা মায়থীখি।

লোইশিল্লকপদা থাওগী ওল রাউন্দর খুন্দ্রাকপম এদেননা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ৭৭দা রন ৬১ অদুগা অনীশুবা ইন্নিংসকী ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

জুনিয়র নেসনল খো-খো

# মণিপুর অহৌবা নুমিৎতা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৬(ঐচএনএস): ৱেষ্ট বেঙ্গল খো-খো এসোসিএসননা শীন্দুনা ৪১শুবা জুনিয়র নেসনল খো-খো চেম্পিয়নশিপ ঙসি হুগ্লিগী সিশু সঙ্ঘ গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা নুমিৎতা মণিপুরনা নুপা অমদি নুপীগী মেটচ অনীমক মায় পাকখ্রে।

ঙসি অয়ূক শান্নখিবা নুপাগী গ্রুপ এগী মেটচ অমদা মণিপুরনা গোৱাবু ১৮-২দা অদুগা নুংথিল শান্নখিবা নুপীগী গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা মণিপুরনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু ১৭-৪দা মায়থীবা পীখি। ষ্টেট টিম অসিগী ওফিসল ওইনা এম মঙলেম অমদি ঐচ প্রেমকুমারনা শরুক য়ারি।

# কে এস সী, বি এস য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৬(ঐচএনএস): সোসল ৱর্কর কোংগ্রেস (এস দব্লিয়ু সী) খোংমননা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬শুবা থিঙুজম ওংবী ঙানবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা কে এস সী কোংবনা এস ৱাই দি এ সাবল লৈকাইবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

কে এস সীগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু রোনাল্ডোনা শান্নবগী ৫৬ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা বি এস য়ু কৈরাওনা কে ঐচ জি এ এফ সী খন্নরোকপু ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

কৈরাও টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু বঙ্কিম, ৱাজিদ অমদি অজিৎনা অমমম্ অদুগা খন্নরোক্কী বিভেক অমদি সুরকুমারনা আউন গোল অমমম্ চনশিন্দুনা ওইখি।

# থাংজাসন লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৬(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্টগী থৌ পুরিবা টি থাংজাসননা ইখঙ খঙহৌদনা চুড়াচান্দপুরদা লৈবা মহাক্কী ময়ূমদা থা অসিগী ২৫দা লৈখিদববু অম্ফাগী মায়কৈদগী নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

অম্ফাগী সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লদুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা মপূগী মফমদা থৌনীজখিবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংনা থেংনহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

এম এন সী এ ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফি

# মোদেল ক্লবনা এ কে এস দি ও মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৬(ঐচএনএস): লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ২শুবা এম এন সী এ ৱিমেন ৱান দে ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মোদেল ক্লব শীংজমৈ চীংঙামখানা এ কে এস দি ও খাঙবোকপু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসি ভি জে মেথদতা শান্নদুনা ওভর ১৮দা হন্থরগা শান্নখি। খাঙবোক টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ১৮দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ৭৫ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা মোদেল ক্লবকী টার্গেট ১১৪ ওইখি। অদুবু ওভর ১২.৫দা ৱিকেট ২ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা খাঙবোক টিমবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখিবনি।

লোইশিল্লকপদা মোদেল ক্লবকী থোকচোম লোইদাংতোননা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা আউট ওইদনা বোল ৩৯দা থুনা য়াঙনা রন ৫৭ লৌদুনা ৱিমেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থাও অমদি ফোর্স ক্ষেত্রিগাও থেংনরগনি।

# ষ্টেট আর্চরি টিম লাউথোকখ্রে


ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৬(ঐচএনএস): অখিল ভারতিয়া ভনাভাসি কল্যান আশ্রমনা শীন্দুনা উত্তর প্রদেশকী বভানি পুর্ভিদা দিসেম্বর ৩০দগী জনুৱারী ২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৩শুবা নেসনল ভনাভাসি আর্চরি কম্পিটিসন (ইন্দিয়ন রাউন্দ)দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবা আর্চর ১১ অমদি ওফিসল ৪গী মিং ঙসি কল্যান আশ্রম মণিপুরনা লাউথোকখ্রে।

খনগৎলবা আর্চরশিং অদুদি ফ্রান্সিস ট্যুবোর, হোসিয়া খোর্রাজা, কেসী সেখোদার, দাংশাৱা কোদুসিং, গাইহেমলুং পালমৈ, গোলমৈ গাইহেমলুং কবুই, কামৈ গাইজাংলুং কবুই, ষ্টেভিন পালমৈ, টি দি ঐচ রোশনী চিরু, লুরৈলু কামৈ অমদি ফাওমাই গোন্থাইরুনি।

ওফিসলশিং অদুনা গাইপুই কামৈ, গোলমৈ চুইচুই, মোইরাংথেম সনাজাওবা অমদি কামৈ বসন্তনি।

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7933/4/12-3/02

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 670

GM Vlastimil Babula (2574) - GM Aleksandar Kovacevic (2471)
Bundesliga 2022-23 Bremen GER, 2022.11.25

1.d4 Nf6 2.c4 e6 3.Nf3 d5 4.Nc3 Bb4
5.Qa4+ Nc6 6.e3 O-O 7.Qc2 Re8 8.Bd2 a6
9.a3 Bd6 10.h3 h6 11.cxd5 exd5 12.Bd3 Be6
13.O-O-O Bd7 14.g4 b5 15.g5 hxg5 16.Nxg5 b4
17.axb4 Nxb4 18.Qb1 Nxd3+ 19.Qxd3 Qc8 20.Nxd5 Nxd5
21.Qh7+ Kf8 22.e4 Nf4 23.Qh8+ Ke7 24.Qxg7 Ne2+
25.Kb1 Be6 26.e5 Rb8 27.exd6+ cxd6 28.Nxf7...

**QUESTION :**
Black to win

**Puzzle 669 Ans. :**

1. ...Ka8 2. Nxc7+ Kb8 3. Na6+ Ka8 4. Rb7
*Your moves: 4. Rc7*
*Your moves: 4. Rd8*
*Your moves: 4. c7*
e2 5. Rb8+
*Your moves: 5. c7*
*Your moves: 5. Nc7+*
Rxb8 6. Nc7#
*Your moves: 6. Nxb8*
*Your moves: 6. c7*
1-0

Regd. No.: KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for CLASS -X (BOSEM) 15th December, 2022 3:30/4:30pm-7:30pm
& FOUNDATION COURSE for CLASS -IX & X (BOSEM) 2nd week of February, 2023 3:30/4:30pm-7:30pm
Our Position Holders of HSLC Exam 2022
1st POSITION 3rd POSITION 8th POSITION 18th POSITION



Laishram Rahul · Meneka Huidrom · Moirangthem Rex Singh · Chingakham Italy Meitei
Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm-7:30pm)
6009534807
9233284826
HL-P/5089/2/12-30/01

AVIO INTERNATIONAL INSTITUTE
PROFESSIONAL CABIN CREW TRAINING INSTITUTE
• 100% PLACEMENT ASSISTANCE
• GUARANTEE YOUR SUCCESS WITH OUR UNLIMITED SUPPORT
• CUSTOMISED TRAINING
• MOCK INTERVIEW
• PERSONALITY DEVELOPMENT
• SOFT SKILL DEVELOPMENT
• GROOMING ENHANCEMENT
• SWIMMING CLASS
OUR TRAINERS ARE EXPERIENCED FIRST CLASS CABIN CREW. OWNING OVER DECADES OF FLYING EXPERIENCE WITH ICONIC AIRLINES:
• JET AIRWAYS
• GULF AIR
• OMAN AIR
HURRY UP!!! BATCH STARTS ON 5TH JANUARY 2023
TRAINING CENTRE: OMNICRON III, GREATER NOIDA, 201310.
HEAD OFFICE: KWAKEITHEL, THOKCHOM LEIKAI, IMPHAL. MOB: 7005045375/7005180623
BRANCH OFFICE:
1. BISHNUPUR BAZAAR, NEAR MANIPUR STATE CO-OPERATIVE BANK. MOB: 8920286159
2. SENAPATI BAZAAR, OPPOSITE SENAPATI BUS PARKING. MOB: 9774628571
3. MOIRANG OKSHONGBUNG LEIKAI, NEAR CITIZENS' CLUB MOIRANG. MOB: 7005171889
4. KUMBI, SINGEL LEIKAI, WARD NO. - 4. MOB: 76280 16401
BUSINESS HOURS: 10:00A.M - 4:00 P.M (SUNDAY CLOSED)
Email: avio.institute@gmail.com
FOR INQUIRY CALL
7005045375 / 7005180623 / (0120)4558561



HL-P/1068/24/12-5/1

LOAN AVAILABLE



EMPLOYMENT NEWS
> SEKMAI, MOIRANG, NAMBOL, THOUBAL, KAKCHING BRANCH:- Office Asst.-2, Grade IV-2
> SAMUROU BRANCH:- Office Asst.-2, 2 wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre fitting helper-2
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, H.Q
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING, IMPHAL WEST, MANIPUR
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN, MOIRANG PATLOU, KAKCHING IRUM LAMDONG, SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-B/7893/13/12-12/-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com